Wednesday, December 16, 2020, Imphal

HUEIYEN LANPAO

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঐগী মীৎনা অতোপ্পগী মীত্তগী য়েংননবা হোৎনবা

ৰাখল! থৱায় পানবশিংগী মরক্তগী মীওইবা ঐখোয়বু থোইদোক হেনে দাকপা অমা ওইহল্লকখিবসি মখোয়গী ৰাখল খনবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই অসিননি - পূম্নমক্কা য়ানরে, য়েৎননীংঙাই লৈতে। ৰাখল, থোট হায়বা অঙকপা প্রোসেস অসি করিনো? করম্না ৰাখল খল্লিবনো? হায়বনচিংবা লুরবা হীরম অসি নৈননবা 'নোলেজ' অমদি 'এক্সপর্টিজ' ৰারেংজরিবা ঐঙোন্দা লৈজদে। হীরম অসি নৈনগে খন্না ইজরুবসু নত্তে। য়েস! ঙসি ইগে কলম পায়খৎচরুবা, ঐখোয়গী 'ৰাখল-খূৎখন' অমগী মরমদনি। করম্না এক্সপ্লেন তৌসিগে - (হাও টু এক্সপ্লেন) ... মদুনি ঐনা লম্মুক্করি, হায়ফম অমা খঙদ্রিবা। 'ৰাখল করম্না খনগদগে' ... নৎত্রগা, 'পূক্নিং করম্না লল্লোনসিগে' ... হায়বা ৰাখলদুনি হায়গদ্রা!

ইহে। হায়ফম খঙদবদগী হায়রোইদবা ৰাদু ওইনা হায়খ্রবরা? হায়নীংলিবা ৰাসিদি ইচম চম্বা ৰাদুনি - ঐনা খল্লিবা ৰাখলসি মীবু করম্না খলহনগদগে, নৎত্রগা, মীনা খল্লিবা ৰাখলদু ঐনা করম' খনগদগে। ৰাহৈসি মরিং-মরাংবরা? মীগী পূক্নিং লল্লোনবা - ত্রেদিং দ মাইন্দস ওফ অদর্স' হায়বা ৰাহৈ অসি তাবদদি ফজদবা, ঐখোয় পূম্নমক্কা তৌরিবা থবক অমনি। মরুপ-মপাং, এসোসিয়েসনগী এসোসিয়েৎশিং, ওফিস অমদা থবক তৌমিন্নরিবা কল্লিগ' শিংগা লোয়নবা, মখোয়বু য়ানবা চৎপা ... লুচিংবশিংনা তুংইনবশিংগী (পোলিটিসিয়নশিংনা ভোটরশিংগী) পূক্নিং - খোন্ননবা ৰা ঙাঙবা ... দুকান্দারশিংনা কষ্টমরশিং মাগী দুকান্দা লাক্ননবা/চঙলক্নবা ঙাঙলি-শক্লিবা - পূম্নমক পূক্নিং লল্লোনবই থবকনি। অইবশিংনা ইরিবা অপাবশিংগী পূক্নিং খোন্দুনা পুরগা মাগী অনীংবা-অপাম্বদু অপাবশিংবুসু খলহন্নবা হোৎনবনি। মদু ঙল্লবা অইবদু মায় পাক্লবা অইবনি।

ইরায় লায়বা খুদম অমত্তং য়েংসি। টেলিভিজন'দা উরিবা পোৎ মখল কয়াগী এদভর্টাইজিং ফিল্মশিং, ফিল্ম মেকর অদুনা পোৎশিং অদুগী কঞ্জ্যুমরশিংগী পূক্নিং উবা ঙমদ্রবা, কঞ্জ্যুমরশিংদুনা খল্লিবা ৰাখলদু খঙবা ঙমদ্রবা, পোৎ অদু পুথোক্লিবা কম্পনি অদুগী অনীংবা অপাম্বদু ফিল্ম মেকর অদুনা থুংহনবা ঙল্লোই। অঙাংগী খোঙউপ শাবা কম্পনি অমগী এদভর্টাইজিং ফিল্ম অমা পুথোকপা তারবা, অঙাংশিংগী পূক্নিং খঙবতা নত্তনা অঙাংদুগী মমা-মপা ওইবশিংগী অমদি অঙাংশিংদুনা তল্লিবা স্কুলশিংগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী অপাম্বসু খঙবা তাবনি। মরমদি, ফিল্ম অদু পুথোকপগী পান্দম - 'মখোয়গী অনীংবা, অপাম্বদুমক থুংহনবা ঙম্বা খোঙউপ অদুমক্নি' খনবা ঙমহনবা অদুনি। ফিল্ম অদু পুথোকপখক্তনা পান্দম অদু ফংগদবা নত্তে। করম করম্বা টেলিভিজন চেন্নেলশিং করম্বা মীওই কাঙলূপনা য়েংবগে? টি আর পি (টেলিভিজন রেটিং পোইন্ট) করম্বা চেন্নেলশিংনা খ্বাইদই হেন্না ৰাংবগে? করম্বা মতমগী 'টাইম-স্পোট'তনা এদভর্টাইজিংগী কয়া য়াম্না লৌবগে? হায়বনচিংবা ৰাফমশিং কূপ্না খন্ন-নৈনরগা এদভর্টাইজিং ফিল্ম অদু করম্বা মতমদা কাপকদগে লেপথোক্কনি। ফিল্ম অদু কাপত্রিঙৈ মতমগী পোৎ-শীৎ (সেল-প্রোসীদ) অদুগা ফিল্ম অদু উৎপা হৌখ্রবা মতুংগী পোৎ-শীৎ অদুগা, অনী চাংদম্নদুনা য়েংলগা ফিল্ম-মেকর অদুগী মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা লেপকনি।

চাংয়েং অসি ফিল্ম, থিয়েটর অমদি শূমাং লীলানচিংবগী মতাংদসু অমহানি। স্ক্রপ্ট রাইটর অদুনা শাগৎলকপা ৰারী-প্লোৎ-ক্রাইসিস-কনফ্লিক্ট অমসুং শেমগৎলক্লিবা ক্যারেক্টর-অইবদুগী ৰাখল-মীৎয়েং, অয়েংবা কনাগীদমক্নো? টার্গেট-ওদিয়েন্স কনানো? নহারোল? অহল্লোন? কম্মন ওদিয়েন্স, নৎত্রগা, ইন্টেলেকচ্যুঅল ওদিয়েন্স? আর্টকী পোথোক অমা ওইনা পুথোক্লক্কদৌরিবদু, য়েংবীগদৌরিবা (কষ্টমর) অদুগী পূক্নিং অপাম/পামদা খঙলগা পুথোকপা ঙম্বদুনি - মায় পাকপা কলাকার, রাইটর, নৎত্রগা দিরেক্টর। মহাক মশাখক্তগী পূক্নিং-ৰাখল অদুখক্তগী খল্লগা ইবা অমদি পুথোকপা, রাইটর অমসুং দাইরেক্টরসু লৈ - অয়েংবশিংনা পাল্লিবা/য়েংনীংলিবদুনা করিনো হায়বদু ইখন খন্দবা ক্বালিটি অমদি ক্রিয়েটিভিটিদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়বা মীওই কাঙলূপ অমা। অফবা কলাকার অমনি শোন্নরবসু, মখোয়দুদি মায় পাকপা মীশক অমা ওইনা কনানসু শীংথানদে। গুরু দত্ত - ক্লাসিক ওইবা ফিল্ম কয়া পুথোকপদা মমিং চৎখি। মমিং লৈরবা এক্টর কয়া মশক তাক্তুনা পুথোক্লম্বইদমকসু শীংথানৈ। অদুবু, প্রোদ্যুসরগী মনীং থুংহনবা, মায়-পাক্লবা (সক্সেসফুল) ফিল্ম-মেকর অমা ওইনদি মমিং চৎখিদে। হায়নৈ - মহাক্তি, মতমগী খোঙজেলসিগী মাঙজিল থানা, খোঙ থাংদুনা চৎপা মীশকনি (হি ৰাজ ফার এহেদ ওফ হিজ টাইম)। খম থেংনা নীংবা কায়রবা কলাকার অমগী মীশি (মশানা মশাবু হাত্তোকচদুনা) শিখি। মহাক্তা নত্তে, 'রিত্বিক ঘতক'সু অমনি।

ঐখোয়' - ইরমদমসিদসু টেলেন্ট (মগুন) লৈবা কলাকার/রাইটর/ওন্ত্রপ্রিন্যুর/দিজাইনর/থিঙ্কর কয়া অমা লৈতবা নত্তে, লৈ। মখোয় অয়াম্বা তৌনীংবা কোঙ্গায় তৌঙমদনা, নীংবা কায়না, মশানা মশাগী মরাইবক অমদি মমা-মপাবু চৈজদুনা মায়থীবা মীশক অমগী পুন্সি লেন্দুনা পুন্সি পিখন্নখি। মসিগী মরম, অতৈ নত্তে মহাক্না উরিবা মীৎয়েংদু অতোপ্পগী মীৎনা উরমগদবা মীৎয়েংদু উবা ঙমদবা, খল্লমগদবা ৰাখলদু খঙবা ঙমদবা অদুনি।

*- মমাঙগী ৰারেংদা শেংদোক ৰারোল -*

**'চাকখুমগী মৈ মূত্তনবা হোৎনবা'** হায়বা মীতৈশিংগী ৰাহায়সি **'শূ-নোমদুনা হিংননবা হোৎনবা'** হায়বসিগী অতোপ্পা খূৎফোঙদোক অমনি। ফজদবা, চাওখত্তবা লোন অমা ওইনা লৌনদে। দিসেম্বর ১৪, নিংথৌকাবা নুমিৎকী 'থম্মোয় পাউদম' দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি'বু মণিপুর লৈঙাক্না 'উতাংবী' অমগী থাক্তা মতম শাংনা, থওই-ৰাওইদনা থম্বীরকপদগী পায়খৎফম থোকপা থবক কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লকখিদবা, হৈক্র-মনাদা য়োম্বা 'কলচর-বজেৎ'তা শাইদাংহল্লকখিদবদুগী নিন্দা তৌবা খূৎই অমা ইননবা হোৎনজরুই। একাদেমি এমপ্লোয়ীশিং হিংহন্দনা 'একাদেমি' হিংহনবা ওইথোক্লোই। মদুগী নুংনাংবদু ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা শীজিন্নখিবা ৰাহৈ অদুনা একাদেমিগী এমপ্লোয়ীশিংদা নুংঙাইতবা পোকহল্লে তাবদা ৰারেং অদু ইজরুবা অমা ওইনা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইতবা পোকচৈ। অইবগী 'ইন্টেন্সন'দি লৈঙাক্কী 'মণিপুর কলচর মূথৎনবা হোৎনবা মানবা' এত্তিচ্যুদ অদু নিন্দা তৌবনি।

*- হুইয়েন ইন্দু*

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ পেসেন্ট অমনা চাংচৎতা মীওই ৫.৩ কন্টেক্ট তৌই, মীওইশিং অদুগী চাদা ১২দা লায়না শন্দোকই : ষ্টদি

মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্তুনা চহী অমা হেন্না মীওইবা খুন্নাইদা অৱাবা পীরক্লবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা মীয়াম্না য়াম্না খঙনিংবা ৰাফম অমা ওইরিবা ৰাহংনি - 'কোরোনাভাইরস পল্লবা মীওই অমনা মী মশিং কয়াগা কন্তেক্ট তৌবগে অমদি কন্তেক্ট তৌরিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই কয়াদা মহীক অসি শন্দোকপগে?'

ৰাহং অসিগী পাউখুম, অহমেদবাদতা চথখিবা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখ্রে। লেবোরেটরিদা টেষ্ট তৌদুনা কনফার্ম তৌরবা কোভিদ-১৯গী কেস ১,৮১৭দা চথখিবা ষ্টদি অদুদা পোজিটিব ওইরবা মীওই ১,৮১৭ অদুনা মীওই ৯,৬৭১গা কন্তেক্ট তৌনরমখি, মসি মী অমমমগী ওইনা পারবদি পোজিটিব ওইরবা মীওই অমনা অতোপ্পা মীওই ৫.৩গা কন্তেক্ট তৌই হায়বনি। মখোয়না কন্টেক্ট তৌরমখিবা মীওই ৯,৬৭১ অদুগী মনুংদা মীওই ১,১৫৯ ভাইরস অসি পল্লম্বা থেংনখি, মসিনা সেকেন্দরি এটেক রেট (এস এ আর) গী চাং চাদা ১২নি হায়বা উৎলি।



কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকীদমক কন্টেক্ট ট্রেসিং তৌবা অমসুং কন্টেক্ট লৈরুরবা মীওইশিং অদুগী প্রোফাইলগী মরুওইবশিং উৎলিবা ষ্টদিগী ফাইন্দিংশিং অদু 'কন্টেক্ট ট্রেসিং দ্যুরিং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক : অহমেদবাদ রুরেল' হায়না মিংথোনদুনা আই জে দি এম এস আর জর্নেলদা হন্দক্তা পল্লিস তৌরকখিবনি।

ষ্টদি অদুনা মার্চ ২০দগীনা ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা থেংনখিবা কেসশিং য়েংশিনখি। মখোয়না ষ্টদি চথখিবা প্রাইমারি পোজিটিব কেস ১,৮১৭ অদুগী মনুংদা নুপাগী মশিংনা ১,২৭৫ অদুগা নুপীগী মশিংনা ৫৪২ ওইখি। কেসশিং অদু মশাগী চহী ২১দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা অয়াম্বা ওইখি, হায়বদি থবক-ইনখাঙ তৌরিবা চহী-তাঙ্ককতা লৈবা মীওইশিংনা অয়াম্বনি হায়বনি। কন্টেক্ট ট্রেসিং তৌবদা কন্তেক্ট তৌরম্বা থেংনখিবা কেসশিং অদুগী মনুংদা অয়াম্বদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং ওইখি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা চাদা ৭৯ অদুগা কম্যুনিটি কন্টেক্টশিংনা চাদা ১৮, হেল্থক্যের কন্টেক্টশিংনা চাদা ১.৫ অমদি অতোপ্পশিংনা চাদা ১.৫ ওইরম্বা থেংনখি। কন্টেক্ট তৌরল্লিবশিং অদু নুপাশিংনা চাদা ৫৫ ওইখি।

ষ্টদি অদুগী কো-ওথর ওইখিবা থার্দ-য়র রেজিদেন্ট দোক্টর ডা. হেটাল পটেলনা হায়খি, অপূনবা সেকেন্দরি এটেক রেট (এস এ আর) চাদা ১২ ওইরিবা অদুগী মনুংদা চাদা ১১ অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং ওইখি। লায়না লাইচৎ অসিনা শন্দোকপগী চাং অসি য়ূমগী মীওইশিংদনা ৰাংই হায়না ষ্টদি অসিনা উৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

ষ্টদি অদুদা বি জে মেদিকেল কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিনগী ডা. হেলি, ডা. রাজশ্রি ভট্ট, ডা. শালিনি সিংহ, অমসুং ডা. দেভাং রাভালনচিংবা অতোপ্পা দোক্টরশিংসু শরুক য়াখি।

য়ূমগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা থেংনরবফাওবদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগী চাং ৰাৎপা, অমদি মাস্ক উপ্তবনচিংবা থৌওংশিং অসিনা হায়রিবা ফিভম অসি ওইহল্লরুবগী মরমশিংনি হায়না ষ্টদি অদুনা উৎলি।

দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিনগী হেদ ডা. রাভালনা কোভিদ-১৯ গুম্বা লায়না লাইচৎশিং শন্দোকপা থিংনবগীদমক কন্টেক্ট ট্রেসিং তৌবা হায়বসি য়াম্না মরূ ওই হায়না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদনা, কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক্লরক্তুনা শীজিন্নবা হৌনখিবগা লোয়ননা চহী অমা লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং নংদুনা লাক্লিবা মীওইশিংগী মফমদা অনৌবা থাজবগী মঙাল অমা ফংবগুম ফাওনরি। অদুবু হেল্থ সেক্টরগী মীওই কয়ানা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোরক্লে হায়রগসু লায়না লাইচৎ অসিনা পীরম্বা খ্বাইদগী হেন্না তমথিরবা অমম্বা তাঙ্কক অদুদগী নাম্থোকপা ঙম্লগনি হায়বগী মঙাল অমখক উবখক্তনি, অমম্বগী তাঙ্কক অদুদি লোইবা নৎত্রি হায়না ফোঙদোক্লরি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ এল্লর্জি এন্দ ইনফেক্সিয়স দিজিজেজকী দিরেক্টর ওইরিবা ফিজিসিন অমসুং ইম্যুনোলোজিষ্ট ডা. এন্থোনি ষ্টেফেন ফাউচিনা ভেক্সিনেসনগী কান্নবা অসি অহিং অমদা হেক্তা ফংগদবা নত্তে হায়না ফোঙদোক্লি। সেন্টর ফোর ষ্ট্রেটেজিক এন্দ ইন্টর্নেসনেল ষ্টদিজ ভর্চ্যুল হেল্থ ইভেন্ট অমদা ডা. ফাউচিনা হায়খি, মসি লাইটকী স্বিটচ অমা ওন অমুক ওফ অমুক তৌবগুম্বগা মান্নরোই। ঐখোয়না ঐখোয়গী মাস্ক থাদোকপা অমদি মী তিনবা মফমশিংদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী চেকশিন কাঙলোনবু কাউথোকপা য়াবগী ফিভম অদু মতম খরগী ওইনদি য়াখিরোই হায়না থাজৈ। ফিভম অসি মথংগী নিংথমথা হৌগৎলকপফাওবদি থাদোকপা য়াগদবা মান্দ্রি হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

মরম অদুনা ভেক্সিন পুথোরক্লে হায়দুনসু হান্নগুম্না মাস্ক উপ্পা অমদি ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপগী কাঙলোনশিং অদুদি চহী অমরোমদি মখা তানা ঙাকপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না লৌবা য়াই।

# অহিংদা সোসল ৱার্কর অমা ফানবা হোৎনরম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

চান্দেল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কানানখু ভিলেজদা লৈবা সোসল ৱার্কর তোংসিম বেতোন অনাল (৬৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি এস বেথুংগী য়ুমদা পুলিসনা অহিং নোংঙাল্লমদাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথদুনা ফানবা হোৎনরল্লে। পুলিসকী থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নুপী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

টি এস বেতোন অনালনা ফোঙদোরকপদা ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ১.১৫ রোম তাবদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী জিপসি ৫দা লাকপা পর্সনেলশিংনা মহাক্কী য়ূমদা চঙশিল্লক্তুনা করিগুম্বা মরম অমত্তা পীবা তৌদনা কা-কাদা চঙদুনা ফমুং, উপুনচিংবা পোৎ চৈ অরৈবা খুদিংমক চিংথোক্তুনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরমখি। মহাক্না পুলিসশিং অদুদা করি মরমগীদমক মাগী য়ূমদা থিবা হুম্বগী থবক অসি চথুরিবনো, নখোয়না থিবা হুম্বা নৎত্রগা মী ফাদুনা পুগে হায়রবসু অইবা চেরোল অমা পীরম্মু হায়না হংবদসু মরম তাকউ হায়বসু তাকখিদে। মহাক্কী সিম কার্দ অনী য়াওবা মোবাইল হেন্দসেট অমসু মখোয়না লৌশিনখি। মখোয়না থিবা য়াবা থিরবা মতুংদা ওফিস ফাওবা চৎলগা ৱারী শানরুসি হায়না মহাকপু পুনবা হোৎনরকখি। মহাকপু ওফিসতা পুগদৌরিবা অদু এরেষ্ট মেমো য়াওরকপ্রা হায়না হংখি। মরম লৈতনা করিগী ষ্টেসন্দা চৎকদবনো হায়না মিনট ৩৫/৪০ রোম মুক্নদুনা লৈরবা তুংদা খুনগী নুপীশিংনা পোষ্ট য়ৈদুনা চেংহোক্নরকপদগী পুলিসকী টিম অদু মফম অদুদগী খোঙলৈ থুনা য়াঙনা চেনখি। মখোয়গী থৌওং অদুনা মহাক্কী নুপী অমদি মহাক্কী মচানুপীসু ৱান্থদুনা লায়কন্নখি।

কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা পুলিসনা মীচম মীয়ামদা য়াম্না ওৎলে, বি জে পিগী বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লাকপদগীদি মীয়ামগা পুলিসকা য়াম্না নকশিন্ননা লৈরে হায়না হায়বা তাবদা য়াম্না হরাওজরুরে অদুবু ঙসিদি অমুক মীচম মীয়ামদা অহিংদা লাক্তুনা অকি অখং পীবগী থবক অমুক চথুরক্লে। ঙরাং মহাক্কী য়ূমদা চথখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা পুলিসনা মীদিয়াগী খূথাংদা শেংদোকপীরকউ মদু নৎত্রবদি লিগেলগী ওইবা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনগনি। ঙরাং চথখিবা থৌওং অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না এক্সন লৌখৎত্রিবা ফাওবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীয়াম অমসুং অনাল কাঙলূপকী নুপী লূপশিং অমসুং অনাল কাঙলূপকী ওইবা মীয়ামগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি। থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া অমসু থোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

বেতোন অনালগী মচানুপা টি এস ৱিল্লিংসন অনালনা ফোঙদোরকপদা মহাক মশামক এ দি সী চান্দেলগী ইলেক্টেদ মেম্বর অমা ওইরিবনি, মহাক্কী অপোকপগী য়ূমদা অহিংদা মশক লোৎলগা লাক্তুনা পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরকপা হায়বসি পোলিটিকেলগী খূৎ য়াম্না চাউনা য়াওরমগনি। মহাক্কী পোলিটিকেলগী লম্দা মীংচৎ থীহন্নবা হোৎনবগী থৌওংনি। মহাক্কী অপোকপগী য়ূমদা চথখিবা থৌওং অদুমক মণিপুর লৈঙাক্কী হোমগী মকোক থোংবশিংগী নোলেজ শোয়দনা য়াওরমগনি খল্লি। মহাক মশাসু এ দি সী চান্দলগী ওপোজিসন্দা লৈবা ইলেক্টেদ ওইরিবনি, নখোয়না নমায় নমিৎ লোইনা খুমজিন্দুনা অহিং নোংয়াইদা লাক্তুনা থীবা হুম্বা চথুরিবা অসিগী চাজ শীটকরিনো, করি এলিগেসন লৈবনো হংবদসু অমত্তা খুমদে। করম্বা পুলিস ষ্টেসনদগী লাক্পনো হায়না হংবদা চানে দল পুলিস ষ্টেসন্দগীনি হায়না খুমখি। মমিং হংলুরগসু খুমদে। মখোয়না মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবা মতমদদি জ পিসিশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঙাক্তনি হায়বা উহৌখি। কমদৌনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাঙবুনা মফম অদুদা লাক্তুনা ক্রাইমদা চেন্নবা লালহৌবা থিবগুম্না অহিংদা লাক্তুনা চথুরমখিবা থৌওং অসি মীয়ামদা খঙহনবীবা পামজৈ। মতুংদদি মসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না চথুবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অনাল সিনুরুল (অনাল ৱিমেন সোসাইটি) কনানখুগী প্রসিদেন্ট আর দি হিংহিমনা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসনা খুনগী অহল অমগী য়ূমদা চঙলক্তুনা মোবাইল মুল্লগা পুবিখিবা অমসুং নুপী অঙাংদা অকি অখং পীবগী থৌওংশিং য়ানীংদদুনা ৱাকৎ মীফম অসি ফন্বনি। ঐখোয় শান্তি ওইনা, অকি-অখং য়াওদনা হিংজগে। করিগুম্বা ৱারী শানীংবা, মী ফানীংবা লৈরবসু হুরান-লানাদা অহিং অথেংবদা লাকপগী মহুত্তা অয়ূক, নুংথিলদা ওইনা লাকপীয়ু। ঙসি থোকখিবা থৌদোক অসিগুম্না মখা তানা অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পি ঐচ সী চরাংপাৎকী নুপী অমসুং নুপাগী ৱার্দতা থানবা টাইলসশিং তেংবাঙখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): অনা-লায়েংশঙ হায়বসি লূনা-নান্না থমগদবনি, লৈঙাক্না শেল্লকপা খক্তং ঙাইব য়াদে। মরম অদুনা হোস্পিটাল হায়বসিদি ঐখোয়গী লাইশঙগুম্বনি হায়বা পান্দমদা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী সোসল ৱার্কর কাঙবম জাদুমনিনা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) চরাংপাৎকী নুপী অমসুং নুপাগী ৱার্দশিংদা থাদুনা শেমজিন্নবা টাইলসশিং মতেং পাংখ্রে।

মতেং পাংলিবা টাইলশিং অদু পি ঐচ সী অসিগী ষ্টাফশিংদা ঙসি সোসল ৱার্কর কে জাদুমনিনা খূৎশিন্নরম্বা অমদি হোস্পিটাল অসিগী ৱার্দশিং অসিবু লূনা-নান্না লৈহন্নবা হোৎনবীরম্বা অসিগীদমক সোসল ৱার্কর জাদুমনিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা পি ঐচ অসিগী ডোক্টর বিক্রমনা হায়খিবদা সোসল ৱার্কর জাদুমনিগী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ওইদুনা মসিদগী হেন্না তৌবা ঙম্বা মায় পাকপা অমা ওইরকপা ওইরসনু হায়খি।

পি ঐচ সী অসিদা লূনা-নান্না লৈহন্নবা হোৎনবদা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বা অদুসু মরী লৈনবশিংগা তানরগা মখা তানা মতেং পাংখিগনি হায়নসু সোসল ৱার্কর কাঙবম জাদুমনিনা ফোঙদোরক্লি।

### সমসন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলূপ রুপ রাগগী মরু ওইবা থৌমী অমা ওইরম্বদা নত্তনা অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) কী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা ৱাহেংবম সমসননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর সাউন্দ সর্ভিস এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটারিগী চেরোল অমদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্না লৈরুন্নবগীদমক থৌনিজরি হায়রি।

# সেংমাই তুরেল কনসি অমসুং ঐখোয়গী এনভাইরোনমেন্ট কনসি হায়না বাইক রেল্লি চৎখ্রে

ককচীং, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (য়ু পি এ সী ও) মণিপুরগী ২২শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি 'সেংমাই তুরেল কনসি অমসুং ঐখোয়গী এনভাইরোনমেন্ট কনসি' হায়বা থিমদা বাইক রেল্লি অমা হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ য়ুম্নাম রাধেশ্যামনা লমথাদুনা চৎখ্রে।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই থিঙেল লৈকায়দগী হৌদুনা সেংমাই তুরেলগী মপালদা খুন্দারিবা মীয়ামদা তুরেল অসিবু লূ-নান্না থম্নবা অমদি তুরেল অসিবু কন্নবা পাউজেল পীদুনা চৎখিবা বাইক রেল্লি অদু ৱাবগাই, কৈরক অমদি ককচীং ফাওদুনা পল্লেল ফাওবা চৎখি। ঙসিগী রেল্লি অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবদা, ঈশিংনা ঐখোয়গী থৱায়নি। অসিগুম্বা ঈশিং পীরিবা তুরেল অসিদা ঐখোয়না ফত্ত-হাওদি কয়া থাদবনা মোৎশিল্লকপা, মসিনা ঐখোয়গী হকচাংদা শোকহনবা কয়া য়াওরকপা লোয়ননা তুরেলগী ঈমাই থেনগৎলকপা কয়া অসি ঐখোয়না খঙনা খঙনা থওইদে। মসিনা তুরেল অসি মাঙশিল্লকপনি। সেংমাই তুরেলগী ফীভম অসি ঙসিদি য়াম্না ফৎচিল্লক্রে। হীরম কয়াদা তুরেল অসিগী মপাল তাংদুনা হিংলিবা মীয়ামগী ৱাখলদা তুরেল অসিবু ঐখোয়না কন্দবা য়াদে হায়বগী মমি অমা তাহন্নবগীদমক পাঙথোক্লিবা রেল্লি য়াম্নমক মতাং চাবা, তঙাইফদবা অমনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ু পি এ সী ও মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম প্রেমজিৎ, মণিপুর পুলিসকী রিটায়ার্দ দি আই জি, এস ঐচ দ্বিজমনি, ৱাবগাই জিলা পরিষদ মেম্বর এম জয়েন্তকুমার অমদি ৱাবগাই গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ৱাই হেমচান্দসু শরুক য়াখি। বাইক রেল্লি অদু পল্লেল কৈথেলদা থুংলরবা তুংদা ভেলেন্টিনা এলাংবম, ব্রান্দ এম্বেসেদর, গ্রীন মিসন, মণিপুরনা অথোইবা মীথুং, য়ু পি এ সী ওগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট টি ঐচ বাশুদেবনা থৌরম মপু অমসুং এস জয়কুমার উপ-প্রধান, পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়টনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুকয়াদুনা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

# কে ভি কে থৌবালগী সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটি মীটিং পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র থৌবালগী ১৬লক শুবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটি মীটিং ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরগী দিরেক্টর লত্তানপুই ভানচোংনা চেয়র লৌদুনা কে ভি কে থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চহী অসিগী ওইনা কে ভি কে থৌবালনা পায়খৎখ্রবা প্রোগ্রামশিং অমদি ২০২১-২২দা পায়খৎকদবা এন্যুএল এক্সন প্লানশিং পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখিবা মীফম অদুদা আই সী এ আর ন্যু রিজন লম্ফেলপাৎকী জোইন্ট দিরেক্টর ডো. আই মেঘচন্দ্র অমদি এম এস এফ এ সীগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটরসু ওইরিবা ওইল পালম মিসন মণিপুরগী প্রোজেক্ট কন্সলটেন্ট এম এস খাইদেমসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা সী এ য়ু ইরোইশেম্বগী দিরেক্টর এক্সটেন্সন আর কে রতন শাহ, মণিপুরদা লৈরিবা কে ভি কে কয়াগী সেনিয়র সাইন্টিষ্ট অমদি হেদশিং, লৌমীগী রিপ্রজেন্টেটিভশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা লাইন দিপার্টমেন্টশিংগী হেদশিংনা ওনলাইন অমদি ওফলাইন মোদকী খূথাংদা শরুক য়াখি। এক্সপার্ট কয়া অমদি সেনিয়র সাইন্টিষ্ট কয়ানা কূপ্না খন্নদুনা ফার্মরশিংদা কান্নগদবা অমদি চাওখৎকদবা অফবা প্লান পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনরসি হায়না এগ্রিকলচরগী দিরেক্টর লত্তানপুই ভানচোংনা ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

ইম্ফাল ময়োল মক্তদা লৈরিবা নুপী কৈথেল হায়নসু খঙনরিবা কৈথেল অসি কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা মার্চ থাদগী থিংজিনবিখি অদুবু মরী লৈনবা মীওইশিংনা দিসেম্বর থা লোইগদৌরিবা ফাওবা হাংবা য়াবগী অয়াবা পীবিদ্রি। কৈথেল অসিদা নোংমগী হিংনবা মচা মশু থাকপা ঙম্নবা হোৎনজরিবা ইমা ইবেল কয়া অমদি কৈথেল অসি থিংখিবদগী ঙসি ফাওবা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লৈরি। অমরোমদা কৈথেল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা দুকান অচৌবা, মচা কয়াদি মহৌশাগুম এস ও পি ঙাকহন্দুনা থোঙ হাংহল্লি। লৈঙাক্না এস ও পি ঙাক্না দুকান হাংগদবনি হায়বরসু মফমশিং অসিদা এস ও পি ঙাক্তবগী মমি তাবা উই। ইমা কৈথেল অসিদগী তাংজফম ওইদুনা মচা মশু থাক্নবা হোৎনরম্বা কয়াদি কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা মচা মশুশিং থোঙ্গাল ৱাংমা লানবসু য়াহন্দবনা য়ুমদা ফমদুনা লৈনরে। মদুনা লায়না অমা ওইদুনা ইমা ইবেলশিং কয়া পুক্নিং শোন্থনা হিংলি। অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা এস ও পি ঙাক্না কৈথেলশিং হাংনবগুম্না ইমা কৈথেল অহুম অসিসু লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা কৈথেল হাংবা য়াবগী অয়াবা পীবিরবদি ইমা ইবেলশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকপা ঙমগনি হায়না খল্লি।



**সোরোখাইবম ওজিৎ, লমদিং**

ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি দেমোক্রেসি চৎপা অচৌবা লৈবাক অমনি। দেমোক্রেসিগী মখাদা পাঙথোক্লিবা ভোট অয়াম্বা ভোটরশিংদা হক চপ মান্ননা পীরি। অদুবু মসিগী মাঙজবা কয়া অমসু লৈতবদি নত্তে। পোৎশক খুদিংমক্কী মগুণ অমদি চাং তোঙান তোঙাল্লি। লৈঙাক্কী লোয়শঙদা থবক তৌরিবা ময়ামগীসু তোলোপ খেন্নে। করিগুম্বা খেন্নবা অসি লৈরমদ্রবদি থবক তৌবদা মথক মখা নাইরক্লোই। লোয়শঙগী থবক পুম্বা মঙম শাল্লোই। মসিগা চপ মান্ননা ভোট থাদবগী হক ফংবা মরম্না ভোটকী মতমদা করম্বা অফবা কেন্দিদেটতা ভোট পীগনি খঙনদ্রে। অদুগা করম্বা মীনা ভোট লেপকদবনো হায়বদুসু খঙনদ্রে। আই এ এস ওফিসর অমগসু লাইরিক হৈতবা, নম্বর ফোর এদিক অমগসু ভোট থাদবগী হক চপ মান্ননা ফংলে। শেল খরা য়াম্না য়েনবা মফমদা ভোট পীনরে। শেল পায়বা মীনা ভোট লেপ্পরে। মসিনা ভোটকী মতমদা শেলগী শক্তিদা ঙম্না চৎপগুম তৌরি। মীখল পূম্নমক বিজিনেস অমগা পাংখক ওইরে। মসি পূম্নমক্কী হৌরকফমদি ভোটরগী ভেল্যু লেপ্তুবদগীনি। ষ্টেট অসিদা লেপ্পা লৈতনা হৌখিবা চহী কয়াদগী ঙসি ফাওবা শেঞ্জা থুমজাগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিসু মসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরমগদ্রা হায়না খল্লি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।১২।২০২০ইং, য়ুমশকৈশা;
পোইনুগী ২নি পানবা।

**মেষ :** য়েৎনরম্বা অমদি পল্লম্বা কয়া লায়না পাংবা ঙমগদবা নুমিৎনি। অফবা মীংচৎ ফংগনি, ঙাঙ-শকপা হৈগনি অমদি য়েক্লবা ঙমগনি। হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎলি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লৌশিং চাওবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। হৈশিংবনা নথক থোংববু পেলহনবা ঙমগনি। মহু চাওবনদি খরা তাথি অদুনা পংথগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** নীংজবা থুংগনি, মীচং খোম্বা অমদি নক্লবা মীগী মতেংনা মীকোক থোংনবা হোৎনবা য়াগনি। শেন্দোং লৈগনি। পুকচেল শেংদবা মরুপ্পদি তাথিগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবা ঙসিসু লৈগনি। নচাক নরল শোয়দনা চাওখৎপা, লৈঙাক্কী লম্দা অমদি পাংঙমদবা থবক পাংবদা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ :** হৈশিংবা শারগা য়েক্লবা চাওখৎকনি অমদি খন্থদবনা মতম মাঙগনি। শেল-থুম অমদি মীংচৎ ফংবগীসু নুংঙাইবা লৈ। ঙাঙথেকাপদা মীনা তানিংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/কিসমিস।

**কন্যা :** মরুপকী মতেং ফংগনি, অফবা লৌশিং তানশিনবদা মায় পাক্কনি অমদি লন চাওখৎপগী নুংঙাইবসু ফংগনি। হন্থবা লোয়ননু- তৌহৈদবা তৌনিংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** মীকোক থোংগনি, লৈঙাক্কী লম্দা মায় পাক্কনি, পাইরক্কী লৌশিং হেনগৎকনি অমদি ললোন ইতিক্তা চাওনা শেন্দোং ফংগনি। মীয়ামম্না চানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরীদা মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**বৃশ্চিক :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি নচা ননাই কাইনবগী নুংঙাইতবা নুমিৎনি। পোরম শিনবা অমদি ৱাঙাঙ হৈতবদগী চোপ্পা য়াবা লৈ। য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাঙহল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**ধনু :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীচং হেনগৎপা অমদি থাজদবা নুংঙাইবা ময়াম অমসু ফংগনি। অচুম্বনা মায় পাক্কনি অদুবু অফা অপুনগী লম্দদি য়াওরুনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** মীয়াম পুল্লগা নুংঙাইজবা অমদি পাংঙমদবা লৈগনি। নচা ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। নাপল তৌরদি কাইনবা নংগনি অমদি হুরানবনা কিহনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** মীকোক থোংবা, লাইবকসু ফবা, শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা নুমিৎনি। ৱাখল থোক্কনি অদুনা খন্থরগা অনৌবা থবক পাংবা য়াগনি। অশাওবনদি তাথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল খরা নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** অয়াম্বা থবক্তা মায় পাকচবা নুমিৎনি। মীপাইরম্বা কোকচগনি, খাংবা কনবৈ কান্নবা ফংজৈ অমদি লন্নাই চাওখৎলি। অঙম্বনদি চানবীবা ৱাৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খোইরাংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।